# ইলেক্তোরেল কলেজকী টিভি দিবেটতা ক্যেরটেক্কর ফোরেন সেক্রেটরি লিজ ট্রসনা রিসি সুনাকপু মায়থীবা পীখ্রে

লন্দন, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):

ৱিন্নর খন্ননবা পাঙথোকখিবা ইলেক্তরেল কলেজ হায়বদি রুল্লিং কঞ্জার্বেটিব পার্টিগী মেম্বরশিংগী সর্বে অমগী মতুং ইন্না পৱারদগী লৌথোকখ্রবা য়ুকেগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনগী গভর্ণমেন্টদা ক্যের টেক্কর ফোরেন সেক্রেটরি ওইরিবা লিজ ট্রসনা মহাক্কী রাইবেল ওইরিবা ইন্দিয়াদগী হৌখিবা হান্নগী চাঞ্চেল্লর রিসি সুনাকপু মায়থীবা পীখ্রে। পোলষ্টর ওপিনিয়মগী রেস্পোন্দেন্দশিংগী চাদা ৪৭ না ক্যেরটেক্কর ফোরেন সেক্রেটরি অসিগী পার্ফোমেন্সনা রিসি সুনাকতগী ফৈ হায়না মত পীখি।

অমরোমদা, রেস্পোন্দেন্ট চাদা ৩৮ না লিজ ট্রসতগী সুনাকনা হেন্না পার্ফোমেন্স ফৈ হায়না মত পীখি। অদুম ওইনমক দিবেট অদুবু য়েংখিবা রিগ্যুলর ভোটরশিংগী পোল অমনা সুনাকনা ভোট মশিং খরখক হেন্দুনা ট্রসপু মায়থীবা পীখি হায়না পোলষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি।

পোল অদুগী মতুং ইন্না রিগ্যুলর ভোটর চাদা ৩৯ না সুনাকনা মায় পাক্লে হায়খি অমসুং চাদা ৩৮ না ট্রসতা থাজবা থমখি। দিবেট অদু ইংলন্দগী নোংচুপ থংবা মিদলেন্দস-কী টাউন অমা ওইরিবা ষ্টোক-ওন-ট্রেন্টতা পাঙথোকখিবনি। মদুদা ইন্দিয়ন ওরিজিন রিসি সুনাকনা এগ্রেসিব ওইবগী মতৌ উৎখি। মথং চয়োলদা ভোট থাদবা হৌগদৌরিবা কঞ্জার্বেটিব মেম্বরশিংগী ওইবা য়ু গোবকী পোলদা সুনাকনা চাদা ৬২ ফঙদুনা চাদা ৩৮ ফঙখিবা মহাক্কী রাইবেলদগী হেনখিবনি। কন্টেন্দর অনীনা টেক্স হন্থহনবগী মতাংদা য়েৎনখি। সুনাকনা টেক্স হন্থবগী খোঙথাং অসি মতুং তাবা মতমদা লৌখৎকনি হায়বা ৱাফম থমখি।

অমরোমদা, ট্রসনা মদু মহাক্লা প্রাইম মিনিষ্টর হেক ওইবগা থুনা পায়খৎকনি হায়না ফোঙদোকখি। চাইনাগা মরী লৈনবা বৃটিস পোলিসিগী মতাংদা মখোয় অনীমক্লা পোলিসি অদু খরা অকনবা ফিভমদা লাক্কনি হায়না ফোঙদোক্লখি। সুনাকনা মতাং অমদা হায়খি, মদুদি চাইনাগী ৱাফম লাকপা মতমদা ট্রসকী তোঙানবা মত অমা লৈবগুম তৌই। মহাক্লা মমাঙদা য়ুকেগা লৈবাক অদুগা লৈনরিবা মরী অসি হৌজিক লৈরিবা অসিদগী ফগৎহনবনা হেন্না ফগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি হায়খি। মমৈথংদা কন্টেন্দর অনীমক্লা টিক টোককুম্বা কম্পেনিশিং কন্ট্রোল তৌবগী ৱাফম মত অমত্তা ওইনা য়াখি।

জোন্সনবু শৌগৎপগী মতাংদদি রিসি সুনাকনা চাঞ্চেল্লর ওফ এক্সচেক্করগী ফমদগী রিজাইন তৌখিবনা মরম ওইদুনা জোন্সনগী লৈঙাক্কী মতম লোইহনখিবনি।

অমরোমদা, ট্রসনা মখা তানা ক্যের টেক্কর ফোরেন সেক্রেটরি ওইদুনা লৈখি। মখোয় অনীমক্লা অমগা অমগা তাইওন্নবা মখোয়গী ফিরেপশিং অদু অচুম্বনি হায়বসি উৎননবা হোৎননখি। দিবেট অসি লন্দন মেট্রোপোলিটান পুলিসনা জোন্সনবু চৎনরিবা লোশিং ভাইওলেট তৌদুনা কোভিদ পেন্দামিক মনুংদা পার্টি তৌরম্বগীদমক্তা ফাইন তৌখিবা মতুংদা পাঙথোক্লিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা স্কোটলেন্দ য়ার্দ হায়না খঙনরিবা মেটনা কোর্টতা জোন্সনবু মখোয়না মপুং ফানা প্রোব তৌখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

কেস অদুগী জুদিসল রিভিয়ু অমা তকশিন্দুনা পিটিসন অমা ফাইল তৌখিবা নন-প্রোফিট কেম্পেইন গ্রুপ অমা ওইরিবা গুদ লো প্রোজেক্টনা হায়খি, মদুদি মেটকী রেস্পোন্স অসি মখোয়গী লিগেল দ্যুটিগা চান্নদে হায়না ঐখোয়না লৌদে। কোভিদ লোকদাউন মনুংদা পিএমগী ওফিস-কম-রেসিদেন্সতা পার্টি কয়া তোইনা চথখি হায়না মেদিয়ানা হৌখিবা দিসেম্বরদা তোইনা ফোঙনখিবদগী জোন্সনগী ফিভম হেন্না লুশিল্লকখি।

# ‘দিল হিংগৎহন্দ্রবদি ইরাননা আই এ ই এগী কেমেরাশিং মথৌ তৌহল্লোই’

টেহরান, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):

পার্টিশিংনা কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিলদা পল্লিবা য়ানখিবা ৱাফমশিং অমুক হন্না ইকায় খুম্নবা হৌদবা তারবদি দিল অসিগী ফ্রেমৱার্ক্কী মনুং চন্না ইন্সটোল তৌরিবা ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আইএইএ) গী সর্ভিলেন্স কেমেরাশিং ইরাননা মথৌ তৌহল্লোই হায়না লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র চীফনা ফোঙদোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা কেপিটেল টেহরানদা পাঙথোকখিবা একজিবিসন অমগী নাকোয়ননা পাউমী-শিংদা ৱা ঙাঙবদা এটোমিক ইনর্জি ওর্গনাইজেসন ওফ ইরান (এইওআই) প্রসিদেন্ট মোহমদ ইস্লামিনা ৱাফম অসি ফোঙ-দোকখিবনি হায়না ওফিসল ন্যুজ এজেন্সি এনাগী রিপোর্টনা হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, মদুদি ইস্লামিক রিপব্লিক অসিনা কেমেরাশিং অসি লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র সাইটশিংদা থম্নবগী মতিক চাবা মরম লৈ হায়না লৌদে। মরু ওইনা কেমেরাশিং অসিনা তৌরিবা থবক্তি ইরানবু নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা শীরিবা মরাল খরগা মরী লৈনবা থবকশিং তৌবগী দাটা রেকোর্দ তৌবসি খক্তনি।

ইস্লামিনা হায়, কুমজা ২০১৫ দা ইরান অমসুং মালেমগী পৱারশিংগী মরক্তা মতম শাংনা নিগোসিএসন চথদুনা ওফিসল ওইনা জোইন্ট কম্প্রিহেন্সিব প্লান ওফ এক্সন (জে সি পি ও এ) হায়না খঙনরিবা ন্যুক্লিয়র দিল অমা খুৎয়েক পীনখ্রবসু নোংচুপলোম্না হৌজিকসু মখা তানা অহুবা দোক্যুমেন্টশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ইরানবু মরাল শীদুনা লৈরি অমদি য়ুম্ফম য়াওদবা ক্লেম কয়া তৌরি।

ইরাননা পার্টিশিংবু থাজহন্নবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র কেপাসিটিশিং কন্ট্রোল তৌবগী থবক য়াখি অমসুং পাঙথোক্তুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং খুদিংমকসি ওইদুনসু মখোয়গী মায়কৈদগীদি দিল অদুদা পল্লিবা ৱাফমশিং ঙাকপা লৈত্রি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

ইরানগী ন্যুক্লিয়র চীফ অসিনা হায়, এজেন্সি অসিমক্লা কেমেরাশিং অদু লৌথোক্লগা সিল্ড তৌখ্রে। মখোয় জে সি পি ও এদা অতৈ পার্টিশিং অমুক হল্লক্ত্রিবা ফাওবা ইরানগী ন্যুক্লিয়র ফেসিলিটিশিংদা থম্বনি।

আই এ ই এনা সেফগার্দ এগ্রিমেন্টশিংগী মতুং ইন্না হৌজিকসু ইরানগী ন্যুক্লিয়ল এক্তিভিটিশিং মোনিটর তৌরি হায়না ইস্লামিনা ফোঙদোকখি।

# ম্যান্মার কন্দেম তৌনবা য়ুএসনা চাইনাদা তকশিনখ্রে

ৱাশিংতন, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):

মিলিটরি জন্তানা দিমোক্রেসি এক্তিভিষ্ট মরি হাৎখ্রবা মতুংদা ম্যান্মারদা প্রেসর হেন্না পীননবা য়ুএসনা চাইনাদা তকশিনখ্রে।

ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী স্পোক্স পার্সন নেদ প্রাইসনা হায়খি, মদুদি চাইনানা অতৈ লৈবাকশিংদগী হেন্না ম্যান্মারদা ইথিল পীবা ঙম্মী। ঐখোয়না মালেমগী লৈবাকশিংদা ম্যান্মারদা প্রেসর পীবা হেনগৎনবা আপিল তৌরি। ঐখোয়গী ওইনসু ম্যান্মারগী মিলিটরি গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা অহেনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলগনি।

প্রাইসনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মহৌশাগুম্না ঐখোয়না ম্যান্মারগী মিলিটরি রেজিমগা বিজিনেস তৌনরোই। লোয়ননা মালেমগী লৈবাক পুম্নমক্তা ম্যান্মারদা মিলিটরি ইক্বিপমেন্ট য়োনবা থিংননবা অমদি মালেমগী ওইবা মীৎয়েংগা লোয়ননা রেজিম অসিবু মতেং অমত্তা পাংদনবসু ঐখোয়না আপিল তৌরি।

প্রাইসনা হায়, রেজিম অসিগী রিভেন্যু অমত্তা লাকহন্দনবা ঐখোয়না ওপশন পুম্নমক খন্নরি। তৌইগুম্বসুং চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স মেন অমা ওইরিবা জাও লিজিয়ননদি বৈজিংনা অতৈ লৈবাকশিংগী মনুংগী ওইবা ৱাথোকশিংদা খুৎ থিংজিন্দে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

একজিক্যুসনশিং অদুগী মতাংদা হংবদা জাওনা হায়খি, মদুদি ম্যান্মারনা য়ান্নদবা ৱাফমশিং লৈখায় তান্নবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী লোশিং অমসুং কন্সটিট্যুসন শীজিন্নগদবনি। শিবগী চৈরাক পীরবা মতুংদা হাৎখ্রবা দিমোক্রেসি এক্তিভিষ্টশিং অদুগী মনুংদা কো জিমি হায়রগসু খঙনবা এক্তিভিষ্ট চো মিন য়ু অমসুং হান্নগী লো মেকর ফিওজেয়া য়াওরি। এক্তিভিষ্টশিং অদু হৌখিবা চহীদা আর্মিনা লুচিংদুনা চথখিবা কু অমগী মতুংদা মদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট কয়া পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা ফাখিবনি অমসুং মখোয়বু টেররগী থবক থৌওংশিং চথৈ হায়না মরাল শীখিবনি।

অরোন অথুপ ওইনা চথখিবা ট্রাইয়েল অমদা এক্তিভিষ্টশিং অসিবু শিবগী চৈরাক পীখি। থৌওং অদুবু য়াম্না চুমদবা খোঙথাংনি হায়রদুনা রাইওট গ্রুপশিংনা কন্দেম তৌনখি। ফিওজেয়া থো অমসুং কো জিমি অনীমক্লা হৌখিবা জুনদা মখোয়দা পীরিবা চৈরাকশিং অদুগী মায়োক্তা আপিল তৌখিবনি অমসুং কোর্টনা আপিলশিং অদুবু রিজেক্ট তৌখিবনি।

শিবগী চৈরাক পীখিবা অতৈ এক্তিভিষ্টশিং লামিও ওং অমসুং ওং থুরা জোগী মরমদদি কুপ্না খঙবা ঙমখি। মখোয় মিলিটরি গভর্ণমেন্টগী ইনফোর্মরনি হায়বা নুপী অমা হাৎখিবগীদমক্তা শিবগী চৈরাক পীখিবনি।

# হাইটিগী পোর্ট-অউ-প্রিন্সকী ভাইওলেন্সদা চয়োল অমদা মীওই ৪৭১ শিখি: য়ুএন

য়ুনাইটেদ নেসন্স, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):

চয়োল অমা চুপ্না চথরকখিবা হাৎন শুনবগী থৌদোকশিংদা মীওই ৪৭১ গী পুন্সি লোমখ্রবা হাইটিগী কেপিটেল পোর্ট-অউ-প্রিন্সকী সিটে সোলেল এরিয়াদা হ্যুমেনিটরিয়নশিংনা অৱাবা নঙলবশিংদা মতেং পীবগী থবক চথরি হায়না য়ুএন স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজকী দিপ্যুটি স্পোক্সমেন ফারহান হটনা হায়, হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা য়ুএননা চয়োল অমা চুপ্না মীওই লিশিং তরেৎ পীজবা কোন্নগদবা চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং য়েন্থোকখি। ঐখোয়না থক্লবা ঈশিং হাইজিন অমসুং বেবি সপ্লাইজ, প্লাষ্টিক সিটিং য়াওনা তঙাই ফদবা রিলিফ আইটেমশিং অমদি মাঙ তাক্লবা ফিভমশিং শেমজিন শাজিন্নবগী আইটেমশিং য়েন্থোকখি।

হটনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা জুলাই ৮ দগী ১৭ ফাওবা খক্কী মনুংদা কেপিটেল সিটিদা য়েংথিনরিবা গেঙশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবদা মীওই ৪৭১ হেন্না শিখি, শোকখি নত্ত্রগা থীবা খঙখিদ্রে হায়না ৱার্ল্ড বোদি অসিনা পাই।

অঙাং চা কয়া য়াওনা মীওই ৩০০০ রোম ময়ুম থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে। মৈনা চাকপা কয়া য়াওনা য়ামদ্রবদা য়ুম ১৪০ অমাঙ অতা থোকখ্রে। মফম অদুদা হেল্থ ক্যেরগী খুদোংচাবা য়াম্না ৱাৎলি নত্ত্রগা লৈতে হায়বা য়াই। চিঞ্জাক অমসুং ঈশিংগী সপ্লাইসু ৱাৎলি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, হ্যুমেনিটরিয়ন কো ওর্দিনেটর পুলরিকা রিচার্দসন্না পার্টি পুম্নমক্তা ভাইওলেন্স লেপ্পবা অমদি মথৌ তারিবা মীচমশিংদা ইমর্জেন্সি হ্যুমেনিটিরিয়ন অমদি মেদিকেলগী মতেং অয়েৎ অপন পীদনা ফঙহন্নবা আপিল তৌখি। রিগ্যুলর ব্রিফিং অমদা ৱা ঙাঙলদুনা স্পোক্স মেন অসিনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি ভাইওলেন্স অদুদা মীচমশিংবু ঙাকপী শেনবীবা হায়বসি তশেংনমক অরুবা প্রোব্লেম অমা ওইরক্লে। গেঙশিংনা রিক্রুট তৌখিবা নুপামচাশিং অমসুং নুপীমচাশিং অমদি নুপীশিংগী মায়োক্তা তরাইনা লৌবা য়াদবা সেক্সুয়েল ভাইওলেন্সকী থৌদোক কয়া থোকপগী পাউ ফঙলে।

থা অসিগী অঙনবদা য়ুএন ওফিস ফোর ড কোওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেন এফিয়র্স (ওসিঐচএ) না বেকগ্রাউন্দ রিপোর্ট অমদা হায়খি, মদুদি কুমজা ২০২১ গী জুনদগী খুৎলায় পায়বা গেঙশিংগী মরক্তা হাৎন শুনবগী থৌদোকশিংনা পোর্ট-অউ-প্রিন্স মেট্রোপোলিটান এরিয়াগী সোসিও ইকনোমিক লাইফ দোমিনেট তৌখি অমসুং থৌদোকশিং অদুনা মীয়ামদা অকি অখঙ পোকহনখি।

সেক্যুরিটিগী ফিভম মীপায়নিংঙাই ওইবা মওংদা শোকচিল্লকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০২২ গী এপ্রিলদগী অনৌবা থাক অমদা অরুবা ফিভমদা লাক্লে। লাক্লিবা থা খরা অসিদসু মখা তানা উংখৎনবা অমদি হাৎন শুনবগী থৌদোকশিং থোক্লকখিবা য়াই হায়না রিপোর্ট অদুনা ৱার্নিং তৌখি।

# রসিয়াগা লান শোক্নরিঙৈ মরক্তা য়ুক্রেনদা অহানবা জর্মন এয়র দিফেন্স সিষ্টেম থুংখ্রে

কিভ, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):

লানগী চৈথেং নঙলবা য়ুক্রেনদা জমর্নিদগী থারকপা অহানবা গেপার্ট এয়র দিফেন্স সিষ্টেমশিং থুংলরে হায়না য়ুক্রেনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর ওলেক্সি রেস্নিকোবনা লাউথোকখ্রে।

মিনিষ্টর অসিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা য়ুক্রায়িন্সকা প্রাবদানা হায়, ঙসি অহানবগী ওইনা গেপার্ট অহুম ওফিসল ওইনা থুংলরে।

এন্টি-এয়রক্রাফট সিষ্টেমশিং অদুগীদমক্তা ঐখোয়না এম্যুনিসন রাউন্দ লিশিং কয়াসু ফঙলে। ঐখোয়না অহানবগী গেপার্ট ১৫ ঙাইদুনা লাকপনি। ঙসি য়ুক্রেনদা গেপার্ট অহুম থুংলখি। খুৎলায়শিং অসি য়ুক্রেনগী আর্মদ ফোর্সেসনা শীজিন্নরগনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

থা অসিগী অঙনবদা জমর্নিনা য়ুক্রেনদা থানবা থৌরাং তৌরিবা গেপার্ট এয়র দিফেন্স সিষ্টেম ৩০ য়াওনা খুৎলায় কয়াগী ওফিসল লিষ্ট অমা লাউথোকখিবনি। ৩৫ এম এমগী সেল ৬০,০০০ য়ৌনা লৈতবা মরম ওইদুনা গেপার্টকী এম্যুনিসন সপ্লাইগী ৱাফম অসি হান্নদি প্রোব্লেম অমা ওইনা খন্নখি।

চয়োল কয়ামুক্কী মতুংদা জর্মন গভর্ণমেন্ট অমসুং নোর্ৱিজন মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা মেন্যুফেকচরর অমদা থবক অদু শীন্নখিবগা লোয়ননা অহেনবা এম্যুনিসন শাবা হৌখিবনি। মমাঙদা মেন্যুফেকচরর অদুনা জমর্নিদা লৈবা য়ুক্রেনিয়ন লান্মীশিংবু সিষ্টেমশিং অদু করম্না শীজিন্নগদগে হায়বগী মতাংদা ট্রেনিং পীখি।

# গোটবয়া রাজাপক্সা শ্রী লঙ্কাদা হল্লক্লগনি: মিনিষ্টর

কলম্বো, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):

শ্রী লঙ্কানা শাথিরবা শেল থুমগী ক্রাইসিস অমা মায়োক্লরকপদগী মীয়াম্না অকনবা প্রোটেষ্ট চথরিঙৈ মনুং জুলাই ১৩ দা ইথৎ লৈবাক অসি থাদোক্তুনা লোন্না চেনখিবা হান্নগী প্রসিদেন্ট গোটবয়া রাজাপক্সা লৈবাক অসিদা অমুক হল্লক্লগনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মিনিষ্টর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

রাজাপক্সানা শ্রী লঙ্কা থাদোক্তুনা চেনখিবগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবদা মেদিয়া মিনিষ্টর বন্দুলা গুনাৱার্দেনানা হান্নগী লুচিংবা অসি সিঙ্গাপোরদা লোৎতুনা লৈরি হায়বা ৱাফম য়াখিদে অমসুং মহাক হল্লক্লগনি হায়খি।

মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবদা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসি সিঙ্গাপোরদা লোৎতুনা লৈরি হায়বা ৱাফম ঐহাক্লা য়ানিংদে। মহাক ওফিসল প্রোসিজর ঙাকখি অমসুং লিজিটিমেট ভিজা লৌরবা মতুংদা সিঙ্গাপোরদা চৎখিবনি। মহাক হল্লক্কনি হায়বসি ঐখোয়না থাজবা ৱাফমনি। হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিদা খুদোংথীবা অমত্তা থোকহন্দনবা ঐখোয়গী লৈবাক্কী ওথোরিটিশিংনা মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলগনি হায়বসিসু ঐখোয়না খনফম থোকপা ৱাফম্নি।

চৈরকসিদা কুমজা ২০১৯ গী প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনদা মায় পাক্লনবা রাজাপক্সানা শেমখিবা এসএলপিপিগী চিয়ারমেন জিএল বৈরিসনসু রাজাপক্সা হল্লক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# রসিয়াগী মায়োক্তা অথিংবা থম্বগী ৱাফম ব্রাজিলনা য়াখিদ্রে

সাউ পাউলো, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):

ব্রাজিলগী এগ্রি বিজিনেসকীদমক রসিয়াদগী ফর্টিলাইজর মখা তানা পুশিল্লকপা য়ানবগীদমক মোস্কোগী মায়োক্তা শেল থুমগী অশিংবা থম্বগী ৱাফম প্রসিদেন্ট জায়র বোলসোনারোনা অমুক হন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা সাউ পাউলোদা পাঙথোকখিবা গ্লোবেল এগ্রি বিজিনেস ফোরম, ২০২২ দা ৱা ঙাঙলদুনা বোলসোনারোনা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না রসিয়াগী মায়োক্তা শেল থুমগী অথিংবশিং থম্বগী মায়োক্তা মখা তানা লেপখিবনি।

নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা লৌরক্লিবা ৱারেপ অসিবু ঙসি ব্রাজিলনসু ইন্দুনা মোস্কোগী মায়োক্তা ঐখোয়না শেল থুমগী অথিংবশিং থম্বা তারবদি ঐখোয়গী এগ্রি বিজিনেসতা চঙলিবা ফর্টিলাইজরশিং রসিয়াদগী লাক্লিবসি শোয়দনা লেপখ্রগনি অমসুং লম অসিদা ঐখোয় থবক তৌবা য়াররোই।

ফুদ প্রদক্সনদা অকায়বা থোকহন্দনবা মহাক্কী লৈবাক্লা রসিয়াগা মখা তানা লল্লোন ইতিক্কী মরী থম্ননবা ৱারেপ লৌরিবদু অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না প্রসিদেন্ট অসিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, মদুদি ফর্টিলাইজরশিং অমদি ঐখোয়গী ফুদ সেক্যুরিটিগী গরেন্টি য়াওদনদি মালেমগী মীওই বিলিয়ন অমা চিঞ্জাক ফঙদবগী প্রোব্লেম মায়োক্লরক্কনি। কুমজা ২০২১ গী দিসেম্বরদা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা ইম্পোর্টশিংগী মহুৎ শিনবা য়াবা পান্থৈশিং থীদুনা নেসনেল ফর্টিলাইজর প্রোগ্রাম হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্নবা ৱারেপ লৌখি হায়নসু বোলসোনারোনা ফোঙদোকখি।

লেটিন অমেরিকাগী খ্বাইদগী চাওবা ইকনোমি ওইবা ব্রাজিল অসি মালেমগী ওইনা নুঙ হৱাই পুথোকপদা মাঙজিল থারিবা লৈবাকনি অমসুং লৈবাক অসিনা এনিমেল প্রোটিন মালেমগী কৈথেলশিংদা থাদোকপদসু মাঙজিল থারি।

# রিপুদামন হাৎখ্রবা মতুংদা কানাদাদা ইন্দিয়ন ওরিজিন অনী হাৎখ্রে

ওটাৱা, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):

এয়র ইন্দিয়াগী প্লেন অমা বোম্বিং তৌবগী চার্জশিংদগী এক্বিট তৌখ্রবা রিপুদামন সিংহ মালিক হাৎখ্রবা মতুং নুমিৎ তরানি কান্নরগা কানাদাদা ইন্দিয়ান-ওরিজিন মীওই অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না মীওই অনী হাৎলিবদু রিপুদামন সিংহ মালিক হাৎখিবগা য়াম্না মান্নে। মেনিন্দর দালিৱান অমসুং ছাতিন দেরাগিল মীওই অনী অসি নোংমাইজিং নুমিত্তা বৃটিস কলম্বীয়াগী রিজোর্ট ভিলেজ ৱিস্লরদা হাৎখিবনি। মখোয় অনীমক নুংথিলগী মতমদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি।

মেনিন্দর অমসুং ছাতিন দেরা হায়রিবা ইন্দিয়ন ওরিজিন মীওই অনী অসি রিপুদামন মালিক্কা মান্ননা মীয়াম তিনফম অমদা কার অমদা ফল্লিঙৈদা হাৎখিবনি।

মালিক্কী থৌদোক্তুগা মান্ননা কার অমা নক্লবা মফম অমদা মৈ চাক্লম্বা থেংনখি। অদুম ওইনমক ওফিসলশিংনদি থৌদোক অনী অদু মরী লৈনৈ হায়না ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

চৈরকসিদা খ্বাইদগী নৌবা মীহাৎশিং অদুগা মরী লৈননা মীওই অনী ফাগৎখ্রে। তৌইগুম্বসুং রিপুদামন মালিক হাৎখিবগা মরী লৈননদি হৌজিক ফাওবদা মীওই অমত্তা ফাবা লৈত্রি। মেনিন্দর দেলিৱাল হায়রিবা মীওই অসি হৌখিবা চহীদা বেঙ্কুবর পুলিস দিপার্টমেন্টনা রিলিজ তৌখিবা লিষ্টতা য়াওখি। মহাক ব্রাদর কিপ্পর হায়না খঙনবা গেঙ অমগী মেম্বরনি অমসুং গিলনা গেঙ অমত্তদা য়াওবগী রেকোর্দ লৈতে হায়রি।

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD
MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR, SYLHET, & RAJSHAHI
MBBS in INDIA, KYRGYZSTAN, RUSSIA, KAZAKH & PHILIPPINES
We Provide Special Coaching For ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY
1st PAYMENT 5 LAKH TOTAL PACKAGE 20L
REMAINING INSTALLMENT WITHIN 4 YEAR
HURRY!!! LIMITED SEATS ONLY
B.Sc./M.Sc.
Agriculture, Forestry, Horticulture, Fishery, Medical Microbiology, B.Pharm., B.E./B.Tech (all stream) CBZ, BPT, B.Sc. Nursing, GNM,
→ at DEHRADUN, CHANDIGARH BENGALURU & GUWAHATI
BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI
BAMS (AYURVEDIC) BHMS (HOMEOPATHIC) (FULL PACKAGE STARTS FROM 6 LACS)
Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
Palace Compound Near Govindajee Temple, Imphal East
7005683347 9856167106
THOUBAL BRANCH ADDRESS :
Thoubal Wangmataba Sorok Makha Near Manisang Primary School 9089049622
HL-B/7695/19/6-16/8 Alt

## COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

### NOTIFICATION

Imphal, the 25th July, 2022

No. 3(II)/32/10-HSC(Vol-V)/7505 : It is, hereby, notified for information to all concerned that the eligible lists of candidates/scholars [Fresher-2022, 1" Renewal-2021, 2nd Renewal-2020, 3rd Renewal-2019 and 4th Renewal-2018] of the **"CENTRAL SECTOR SCHEME OF SCHOLARSHIP FOR COLLEGE AND UNIVERSITY STUDENTS"** – Ministry of Education, Department of Higher Education, NS.I Section, Government of India for the academic session, 2022-2023 are uploaded in the Council website www.cohsem.nic.in. Those candidates/scholars included in the uploaded list may apply online on or before the 31St October, 2022 at the National Scholarship Portal [www.scholarships.gov.in] for availing the said scholarship.

The candidates should fulfil the following criteria for applying the same:

**CRITERIA FOR FRESHER CANDIDATE:**

(a) The candidate should have passed Higher Secondary Examination, 2022 conducted by the Council of Higher Secondary Education, Manipur.
(b) The candidate should pursue Under Graduate course in a recognised educational institution.
(c) The candidate should not avail of any other scholarship schemes.
(d) The candidates should have his/her Aadhaar Number.

**CRITERIA FOR RENEWAL SCHOLAR:**

(a) The Scholar should secure 50% or more marks or equivalent grade point average in aggregate and maintenance of attendance of at least 75%.

**Sd/- Ch. Biren Singh**
**Secretary, Council of Hr. Sec. Edn., Manipur**

HL-B/7767/27









